**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 18-05-2025)**

**পোল্লুসন (এল)ঃ** রাজ্য সরকারনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা খুৎশমদুনা মমাং থাদগী চগ্থরকখিবা অমুক্তা শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং (সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক) থিংনবগী খোঙজংগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খন্ন-নৈনবা অমদি হীরম অসিদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম লেপ্তুনা চগ্থরি।

মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং মখা তানা শিজিন্নদনবগাদমক মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবম মখা লৈকাইদা লৈবা কংলৈ ইনাৎ কনবা লুপকী পান্থোইবী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু রাজ্য সরকারগী দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ, মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দ, হ্যুমেন রিছোর্স এন্দ সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন- লুৱাংশংবম, নোর্থ ইম্ফাল দিভলপমেন্ট এন্দ স্পোর্টিং য়ুনিয়ন লুৱাংশংবম অমসুং মৈরা পায়বী অপুনবা লুপ লুৱাংশংবমনা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগকী দাইরেক্তর-ডা: টি. ব্রজকুমারনা হায়-মীওইবা অমদি অতৈ জিবশিংগী লৈফম অমা ওইরিবা মালেম অসিগী অইং আশাগী খল কায়হন্দনা থমবা ঐখোয়না হোৎনগদবনি। ঙসি অমুক্তা শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওইবনা চগ্থবা থবক থৌরমশিংনা মরম ওইদুনা অইং আশাগী খল কায়হন্দুনা ঐখোয়দা অৱাবা কয়া মায়োকহল্লি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দকী মেম্বর

সেক্রেটরি-ডাঃ দব্লিউ রোসননা ভারত সরকারনা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিকী মখলশিং খন্দোক্তুনা মসিবু থিংনবা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মীয়ামনা মপুং ফানা মতেং পাংবীরবদি খোঙজং অসি মায় পাকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা, নোর্থ ইম্ফাল দিভলপমেন্ট এন্দ স্পোর্টিং য়ুনিয়ন লুৰাংশংবমগী প্রসিদেন্ট ডাঃ এন. বিলেন্দ্রজিৎ, মৈরা পায়বী অপুনবা লুপ-লুৰাংশংবম, পোরোম্পাৎ থৰানথাবা লৈকাইগী কংলৈপাক ৰিমেন মল্টি পরপজ কোরপোরেটিব সোসাইতি লিমিটেকী থৌমীশিং, মৈরা পায়বীশিং অমদি ক্লবকী ভোলুন্টিয়ারশিংনা শরুক য়াখি।

**শিরুই (এল)ঃ** রাজ্যগী তুরিজম দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা উখ্রুল জিলাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মঙাসুবা শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল পাঙথোকবা শেম শাবা লোইশিল্লক্লে। ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ২০ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিবেল অসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা হৌদোক্কনি হায়রি।

ফেষ্টিভেল অসি উখ্রুলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ অদি অতৈ থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চন্না থা অসিগী ২১ অমসুং ২২ দা শিরুই লিলি লিটরেচর ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কনি। কুম্দি অসিগী য়েংলগা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংশিং মপুং ফানা লৌখৎলে।

**মোগ দ্রিল (এল)**ঃ তমেংলোং জিলাগী ফামলেন্দদা লৈবা এক্লভিয়া মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুলদা জিলা অদুগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা ঙসি ওপরেসন অভিয়াসকী মখাদা সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল পাঙথোকখ্রে।

দ্রিল অদুদা তরুকশুবা অসাম রাইফলস, সি.আর.পি.এফ, মনিপুর রাইফলস, ফয়ার দিপার্টমেন্ট অমদি মেদিকেল দিপার্টমেন্টনা মহৌশানা

থোকহনবা খুদোংথিবা থৌদোকশিংদগী ঙাকথোকবগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নখি।

**ফেষ্টিবেল (এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী মখাদা চীফ মিনিস্তরগী আর্টিষ্টকী তেংবাং ফংলবা ঠিয়েটর গ্রুপশিংনা শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাডমীগী হোলদা চত্থরিবা ঠিয়েটর ফেষ্টিবেলগী ঙসি ২৯ নি চনবা নুমিৎতা উখ্রুল জিলাগী জিংকো রিপরটরি ঠিয়েটরনা শান্নবা প্লে- 'মনহো প্রাইস ওফ দা ব্রাইট' উৎখ্রে। মসি ফেষ্টিবেল অসিগী ওইনা তাংখুল লোলদা শান্নবা অমত্তা ঙায়রবা প্লেনি।

**ফয়ার ঃ** হায়দ্রবাদকী ঐতিহাসিক ওইরবা চারমিনার মনাক্কী গুলজার হাউস এরিয়াদা ঙসি অয়ুক মথোল অনিগী বিল্ডিং অমা মৈ চাকপদা অঙাং ৮ অমদি নুপী তরুক য়াওনা পুন্না মীওই ১৭ শিরে।

পুলিসকী দাইরেক্তর জেনরেল-ডা: জিতেন্দরনা হায়-অহানবগী ওইনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না মৈ অদু সোর্ট সারকুইটতগী ওইরম্বা য়াই হায়রি। মীওই ৮ দি মৈখুনা শ্বর ফুনবদগী শিখিবনি। অদুগা অতৈনা অশোক অপন থোকপদগী লায়েংবদা লৈখিদবনি।

কেন্দ্রগী কোইলা মন্ত্রি-জি. কিষন রেদিনা থৌদোক থোকফমদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে অমসুং অৱাবা নংলবা ইমুংশিংদা পীবা য়াবা তেংবাং পীগনি হায়বগী থাজবা থমখ্রে।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখিবা অদুদা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা রাস্ত্রপতিনা অশোক অপন নংলবশিং অদু অথুবা মতমদা ফরকপা ওইরসনু হায়রি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনসু থৌদোক অদুদা থম্মোয় শোকা অৱাবা

ফোংদোকখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা লৈখিদ্রবশিংগী নকবা মরি মতাশিংদা প্রধান মন্ত্রিগী নেসনেল রিলিফ ফন্দদগী লুপা লাখ অনি অনি পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। অদুগা অশোকপশিংদনা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়রি।

তেলঙ্গানা সরকারনসু লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা ক্ষেতিপুরোন ওইনা লুপা লাখ মঙা-মঙা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। উপ মুখ্য মন্ত্রি-ভাতি বিক্রমাকানা ওসমানিয়া জেনরেল হোস্পিতালদা অশিবশিং অদু য়েংলুরবা তুংদা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি। মুখ্য মন্ত্রি-রেবান্দ রেদিনসু ওফিসিএলশিংদা অৱাবা নংলবা মীওইশিংদা পীবা য়াবা তেংবাং পীনবা খঙহনখ্রে।

**চীং (এল)ঃ** ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী কে. সিনাম খুল মনাক্তা চিং নিংখায়বদগী লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োকখি। হায়রিবা মফম অদু কাংপোকপী জিলাগী মনুং চন্না লৈবনি অমদি থবক শুরিবা কম্পানিগী শিন মীশিংনা মেছিন শিজিন্নদুনা লম্বী শেংদোকপদগী মখা তানা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াখ্রে।

**এমপিদিএফ(এল)ঃ** রাজ্য অসি ফাওদুনা চৎলিবা নেসনেল হায়ৱেশিংদা অকি অখঙ য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহন্নবা ভারত সংবিধানগী মখাদা থবক পায়খৎপীনবা মনিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্টনা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাগী পুকিং চিংশিল্লি।

**হোম গার্দ (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা হোম গার্দ বটালিয়নশিংগী তাঙ্কক নাইনা চথরকপা বটালিয়নগী ওইবা অনিরকশুবা মীফম ঙসি ইম্ফালগী জি.এম. হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদু হোম গার্দশিংগী অনিশুবা বটালিয়ান ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী

ওইনা পাঙথোকখিবনি। 'ঐখোয়গী ফন্দামেন্টেল অমসুং আইনগী ওইবা হকশিং খঙজিনবা' হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ অহুমসু লৌখি। মীফম অদুদা মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোই ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-য়াংলেম মঙ্গি, জিলা অসিগী বটালিয়ন ইন-চার্জ য়াওনা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা শরুক য়াখি।

**মীলাল (এল)ঃ** মীতৈ ময়েক চৎনখিবগী নীংশিং নুমিৎ পালন থৌরম মীলালনা শিনদুনা ইম্ফালদা লৈবা মসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা হেরিকোনগী ভাইস প্রসিদেন্ট-কোংখম কিরন, মীলালগী প্রসিদেন্ট-খাইদেম ইঙোচা অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট-ওইনাম কৈন্যাহনবী শরুক য়াখি। থৌরমদুদা রাজ্য অসিদা মীতৈ ময়েক মপুং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা লৈখিদ্রবশিংগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** নিশানা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমদি নুপী অঙাংশিংদা চথবা মীওৎ-মীনৈ, মসিবু থিংনবা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরমদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই হৈক্রু মখোঙ এফ.য়ু.সি. গ্রাউন্দদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু জেন্দর এন্দ সোসিএল দিবলপমেন্ট কোওর্দিনেটিং কমিতি অমসুং খুরাই কোন্সম লৈকাই জি.পিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙরাং চান্দেল জিলাগী আইবোল জোপি ভিলেজতা নোংমগী ওইবা কম্পানি কম্মান্দরগা উন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

খুল ১১০ হেনবগী খুঞ্জাশিং শরুক য়াখিবা থৌরম অদু মীয়ামবু শান্ন

খোৎনবা, মহৈ মশিং তম্বা, অকোইবগী ফিভমগী মতাংদা নীংথিনা খঙহন্নবা অমদি নহারোলশিংগী য়াইফনবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা কেরিয়ার গাইদেন্স সেসন অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা লাই য়েকপা চাংদমবদা অঙাংশিংনা মখোয়গী হৈ-শিংবা কয়া উৎথোকখি। তুংদা, উ চারা কয়ামরুমসু থাখি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ অমদি কোওপরেটিব মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুত্থাংদা হৌখিবা চহি তরা অসিদা নরেন্দ্র মোদি সরকারনা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা হকশেলগী লমদা চাউনা অওনবা পুরকপা ঙমলে।

গুজরাটকী মহেসনা জিলাগী গোজারিয়াদা কে.কে.পাতেল এন্দ মধুবেন কে. পতেল নর্সিং কলেজগী নৌনা শাবা বিল্ডিং শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী সাহনা হায়-নর্সিং কলেজ অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী খুদোংচাবা কয়া মনাক নকপা খুলশিংগী লাইরবা মীওইশিংনা ফংবা ঙম্লগনি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ৬০ না আয়ুসমান ভারত স্কিমগী খুদোংচাবা ফংলি।

হৌখিবা চহি তরা অসিদা লৈবাক অসিদা এইমসকী মশিং তরেৎতগী ২৩ দা হেনগৎলে। গুজরাটকী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা লৈরিবা শ্রী সাহনা ঙসি অহমেদবাদ অমসুং মহেসনাদা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াদা শরুক য়াখি।

মদুগী মমাংদা, ঙসি শ্রী সাহনা শিথরুরবা প্রাইমারি এগ্রীকলচর ক্রেদিট সোসাইতি (পি.এ.সি.এস) বু হিংগৎহন্নবগী পান্দমদা অনৌবা থৌশিল থৌরাং কয়াসু লাউথোকখি।

গুজরাট ষ্টেট কোওপরেটিব য়ুনিয়ননা শিনদুনা অহমেদবাদকী সাইন্স সিটিদা পাঙথোকখিবা কোওপরেটিবকী মীফমদা শ্রী সাহনা পি.এ.সি.এসশিংবু হিংগৎহন্নবগীদমক সরকারনা কোওপরেটিবকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং হেন্না ফগৎহন্নবা

অকনবা থবক পায়খৎলি। ২০২৯ ফাওবদা লৈবাক অসিগী পঞ্চায়ট খুদিংমক্তা পি.এ.সি.এস. অমমম লিংখৎনবা সরকারগী থোরাং লৈ হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি। মীফম অসিদা রাজ্য অদুগী কোওপরেটিবকী লুচিংবা লিশিং মরি হেনবনা শরুক য়াখি।

**রিজিজ্ ঃ** কেন্দ্রগী পার্লিয়ামন্টেরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়রি-ভারতনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা লৌরিবা ফিরেপ উৎপা ওপরেসন সিন্ধুরগী মতাংদা নীংথিনা খঙহন্নবগীদমক রাজনিতি দল পুমমক্কী ওইবা মীহুৎ কাংবু তরেৎ থারগনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী রিজিজ্না মীহুৎ কাংবু অদুদা য়াওগদবা এম.পিশিং অমদি অতৈ মীওইশিংগী লিষ্ট ফোংদোকখি। সংসদ সদস্য ৫৯ য়াওবা মীহুৎ কাংবু তরেৎ অদুনা পুন্না লৈবাক ৩২ দা চৎকনি। মীহুৎ কাংবু অমমমদা থবক্তগী পোত্থরবা দিপ্লোমেট অমমসু য়াওগনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-বি.জে.পিগী এম.পি. বিয়েন্ত পান্দানা লুচিংবা অহানবা কাংবু অদুনা সাউদি অরাবিয়া, বহরেন, কুৱেইত অমসুং অলজেরিয়াদা চৎকনি। মীহুৎ কাংবু অদুদা শকাইরবা লুচিংবা গুলাম নবি অজাদ, বি.জে.পিগী এম.পি. নিশিকান্ত দ্বিবে অমসুং এ.আই.এম.আই.এমগী এম.পি. আশাউদিন ওৱাইসিসু য়াওগনি।

বি.জে.পিগী এম.পি. রবি শঙ্কর প্রসাদনা লুচিংবা অনিশুবা কাংবু অদুনা য়ুনাইটেদ কিংদম, ফ্রান্স, জর্মনি, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন, ইতলি অমসুং দেনমার্কতা চৎকনি।

জে.দি.য়ুগী এম.পি. সঞ্জয় কুমার ঝানা লুচিংবা অহুমশুবা মীহুৎ কাংবু অদুনা ইন্দোনেসিয়া, মালেসিয়া, সাউথ কোরিয়া, জপান অমসুং সিঙ্গাপুরদা চৎকনি।

শিব সেনাগী এম.পি. শ্রীকান্ত একনাথ সিন্ধেনা লুচিংবা মরিশুবা কাংবু

অদুনা য়ু.এ.ই, লিবেরিয়া, কোংগো অমসুং সৈরা লিওনিদা চৎকনি। কংগ্রেসকী এম.পি. সাসি থারুরনা লুচিংবা মঙাশুবা কাংবু অদুনা আমেরিকা, কনামা, গুয়ানা, ব্রাজিল অমসুং কলম্বীয়াদা, দি.এম.কেগী এম.পি-কে. কারুনানিধিনা লুচিংবা তরুকশুবা কাংবু অদুনা স্পেন, গ্রীস, স্লোভেনিয়া, লাটভিয়া অমসুং রাসিয়াদা অদুগা অরোইবা অমদি তরেৎশুবা এন.জি.পিগী এম.পি. সুপ্রিয়া সুলেনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অদুনা ইজিপ, কটার, ইথিওপিয়া অমসুং সাউথ আফ্রিকাদা চৎকনি।

**ইগজিবিসনঃ** লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী হৌরগা থা অসিগী ২৪ ফাওবা মালেসিয়াগী লাংকাৱিদা পাঙথোক্কদবা ১৭ শুবা লাংকাৱি ইন্টরনেসনেল মেরিটাইম এন্দ এরোস্পেস ইগজিবিসন (লিমা-২০২৫) তা কেন্দ্রগী ঙাকশেল রাজ্য মন্ত্রি-সঞ্জয় সৈথনা লুচিংবা ভারতকী মীহুৎ কাংবুসু শরুক য়াগনি।

ইগজিবিসন অসিদা শ্রী সৈথনা ভারতকী পিভিলিয়ন হাংদোক্কনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী সৈথনা মালেসিয়াগী ঙাকশেল মন্ত্রিগসু উন্নগনি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী চেরোল অমদা হায়-খোঙচৎ অসিনা ভারত অমসুং মালেসিয়া লৈবাক অনিগী ঙাকশেলগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহল্লগনি।

**নোংঃ** ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মনিপুরগী চিংগী জিলাশিং অমদি তম্পাক্কী জিলাশিংগী মফম খরদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

মেট দিপার্টমেন্টনা হায়-অসাম, মেঘালয় অমসুং করনাতক্কাগী খা থংবা মফমশিংদা ঙসি অকনবা নোং চুগনি। ত্রিপুরা, অরুনাচল প্রদেস, কেরলা, তামিল নাদু, সিক্কিম অমসুং অতৈ মফম কয়াদসু ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**ফুটবোলঃ** চহি ১৯ মখাগী সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ) চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেল হৌজিক অরুনাচল প্রদেসকী য়ুপিয়াদা লৈবা গোল্ডেন জুবলি ষ্টেদিয়মদা ভারতকা বঙ্গলাদেসকা শান্নরি।

পনবা য়াবদি চেম্পিয়নসিপ অসিগী সেমি ফাইনেলদা ভারতনা মালদ্বিপসু পাঞ্জল ৩-১ দা অদুগা বঙ্গলাদেসনা নেপালবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখিবনি।

**কাং(এল)ঃ** শ্রীশ্রী গোপালদেব মান্দপ য়াইস্কুল কাংশঙদা চখুরিবা ১৮ শুবা প্লেয়ারস ত্রোফি লিক কম নোক আউট কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়াইস্কুল কাংখুৎনা গোপালদেব এন. কাংখুৎপু পাঞ্জল ২০-১৫ দা থোইখি। হয়েং কে.কে.সি.ও. অমসুং নম্বোল কাংখুৎ লম্বা থেংনগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তরুকশুবা কাইয়ো ত্রোফিকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-মেমা এফ.সি. তেরাখোঙনা দাইলেন এফ.সি. মোইরাংবু পাঞ্জল ৬-৩ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী তৌবুলদা চখুরকখিবা ১০ শুবা টি.ঐচ. কুমার সিংহ মেমোরিয়েল ষ্টেট লেবেল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৱিনর-কেনেদি এফ.সি. বিষ্ণুপুরনা ওইরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কেনেদি এফ.সি- বিষ্ণুপুরনা পিনাকল এফ.সি. পুংদোংবমবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখি। টিম ১৮ না শরুক য়াদুনা চখুরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মোইরাংচা এফ.সিগী রোহিতনা পাঞ্জল খ্বাইদগী য়ামা চনখিবা শান্নরোই ওইখি। পিনাকল এফ.সিগী য়াইমানা প্লেয়ার ওফ দি টুর্নামেন্ট ওইখি। কেনেদি এফ.সিগী সনাতোননা বেষ্ট গোল কিপ্পর তাখি।